সঞ্জিৎ খক্তমক গোল্ড ফংহৌরে, পনঘল অমসুং শিব থাপা সিলভর ফংহৌরে

দুবাই, মে ৩১ (এজেন্সী):

ন্যু দেল্লীনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ মায়োক্লরকখিবা মরম্না য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা হোংদোকখ্রবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অরোইবা নুমীৎতা নুপাগী ওইনা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমগী মনুংদা সঞ্জিৎ খক্তমক গোল্ড ফংখ্রে, শিব থাপা অমদি অমিট পনঘল সিলভর ফংহৌরে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী কিলোগ্রাম ৫২গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অমিট পনঘলনা হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড অমদি ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা উজবেকিস্তানগী বোক্সর জোইরোব সাখোবিদিনগা অকনবা লম্বা তৌনবদা রাউন্দ অহুম অদুদা লম্বা মান্নরবসু জজ মঙাগী মায়কৈদগী জজ অহুম্না জোইরোবকী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী অমিট পনঘল স্কোর ২-৩দা মায়থীদুনা সিলভর ফংহৌবনি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৯ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতসু অমিট পনঘল জোইরোবকী মখুৎতা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী ফাইনেল বাউটশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর শিব থাপা কিলোগ্রাম ৬৪গী কাঙলূপ্তা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর বাটারসুক সিঞ্জোরিককা অকনবা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, শিব থাপা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মমাংদা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট খুদিংমক্তা মেদল ফংদুনা লাকখিবনি। ঙসিগী ফাইনেল বাউট অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অদুনা জজ মঙাগী ফেভরদা জজ অহুম লৈখিবদগী শিব থাপা স্কোর ২-৩দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

ঙরাং লোইশিনখিবা নুপীগী ফাইনেল বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সর ৪ ফাইনেল চঙখিবনি। মদুগী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী এম সী মেরি কোম য়াওনা অতোপ্পা বোক্সর ৩ সিলভর মেদল ফংলগা পুজারানীনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী নুপাগী ওইনা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমগী মনুংদা অনী সিলভর মেদল ফংখ্রবা মতুং অরোইবা বাউট ওইনা সঞ্জিৎনা কিলোগ্রাম ৯১গী কেটেগোরিদা কজাখষ্টানগী বোক্সর বাসিলি লেবিটকা লম্বা তৌনখি। বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দদা জজ মঙামক্না সঞ্জিৎনা ফজবা ঙমখিবা অদুদা মঙামক মহাক্কী ফেভরদা লৈখি। অনীশুবা রাউন্দদা জজ অহুম্না অমুক্কা হন্না সঞ্জিৎকী ফেভরদা লৈরবা মতুং জজ অনীনা বাসিলিগী ফেভরদা লৈখি। সঞ্জিৎ মশামক্না অহানবা অমদি অনীশুবা রাউন্দগী স্কোর অদু খঙবা মরম্না অহুমশুবা রাউন্দদা খরা শোত্থনা শান্নখ্রবসু বাসিলিনা জজ মরিগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্লগা জজ অমনা সঞ্জিৎকী মায়কৈদা ফেভর তৌরকপদগী রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপদা সঞ্জিৎনা স্কোর ৪-১দা থোইরগা গোল্ড মেদল অদু লৌখি।

হান্নগী চেম্পিয়ন পোলেন্দগী সিৱাটেক ২শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, নুপাগীদা জপানগী কৈ নিশিকোরিসু অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

পেরিস, মে ৩১ (এজেন্সী):

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেকনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা জপানগী কৈ নিশিকোরি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

মশাগী চহী ২০শুবগী মপোক কুমওনগা চপ মান্নবা নুমীৎতা পোলেন্দগী শান্নরোয় ফ্রেঞ্চ ওপন ৱিমেন্স চেম্পিয়ন ওইরিবী আইগা সিৱাটেকনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় কাজা জুবানবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট সিৱাটেকনা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী জুবানগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা ৬-০দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা মশাগী গেম মঙা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু সিৱাটেকনা লোইশিল্লকপদা গেম অনী থংন-থংননা লৌবদগী ৭-৫দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্কা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্নবগীদমক য়ু এস এগী এস রোজর্সপু মায়থীবা পীরম্বী স্বিটজরলেন্দ আর পিটরসনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারকখিবা জপানগী শান্নরোয় কৈ নিশিকোরিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী টুর্নামেন্ট অদুদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা এ জিয়াননেসিগা অকনবা লম্বাদা সেট ৫ চুপ্পা শান্নরবা মতুং সেট ৩-২দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা সেট নিশিকোরিনা ৬-৪দা থোইখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা জিয়াননেসিনা নিশিকোরিবু টাই ব্রেকতা ৭-৪দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদু জপানগী শান্নরোয় অদুনা ৬-৩দা থোইরগা হেন্দুনা লৈখ্রবসু মরিশুবা সেটতা ইটালিগী শান্নরোয় অদুনা ৬-৪দা থোইদুনা সেট ২-২ মান্নবা ঙমখি। অদুবু মঙাশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা নিশিকোরিনা ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ২২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা চেক রিপব্লিককী জে বাসিলিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৬-২, ৬-৩দা থোইরম্বা রসিয়াগী খাচানোবকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা অহানবা রাউন্দদা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ও ওটেগা লম্বা তৌনবদা সেট ৫ চঙনা অহৌবা সেট অনী ৩-৬, ৩-৬তা মায়থীরবসু মখা তারকপা সেট অহুমদা ৬-২, ৬-২, ৬-০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী টাবর্নরবু মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী আর সাফ্যুলিনগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা মঙাশুবা সিদেদ ওইখিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দিগা অহানবা রাউন্দ লম্বা তৌনরকপদা ৭-৬ (৮-৬), ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা য়ু এস এগী এস কোর্দাবু ৬-৪, ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্বা স্পেনগী পি মার্টিনেজকা লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা, নুপাগী ২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কজাখষ্টানগী এ বুব্লিকপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-৩, ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সী ও কোনেলবু সেট ৩-২দা থোইবা ঙমখিবা য়ু এস এগী টি পোলগা লম্বা পানরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিসকু অহানবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী টি জিদানসেককা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং অহৌবা সেট অনী টাই ব্রেকতা অমমম্ মায় পাক্করবা মতুং অহুমশুবা দিসাইদিং সেটতা ৭-৯দা মায়থীবদগী জিদানসেক অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। জিদানসেকনা অনীশুবা রাউন্দদা কলম্বীয়াগী ওসোরিয়োবু থোইরম্বী য়ু এসকী এম ব্রেঙ্গলগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা কজাখষ্টানগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদুনা ওলিম্পিক্সকী খূদোংচাবা ফংলবা য়ারি

ন্যু দেল্লী, মে ৩১ (এজেন্সী):

কজাখষ্টানগী কোনুং অলমাটিদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোসানোভ মেমোরিয়ল এথলেটিক কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা ফংদুনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এথলিটশিংনা ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংগদৌরি।

জুন ১৯ অমসুং ২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনলগী থাক্কী ওইবা কম্পিটিসন অদুদা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স কন্টিনেন্টেল টুর সেরিজ অমসু ওইরিবা অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ৪x১০০ রিলে টিম য়াওনা অতোপ্পা এথলিটশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইননবা অরোইবা তাঞ্জা অমা লৌগদৌরি।

নুপীগী নেসনল টিম কোচকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, মিটর ৪x১০০ রিলে টিম অদুনা কোসানোভ মেমোরিয়ল এথলেটিক্স কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইনবগী অচৌবা খূদোংচাবা অমা ফংলে হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

জুন থাদা য়ুরোপতা পাঙথোক্কদবা তোঙান-তোঙানবা এথলেটিক্স কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং শরুক য়াবা য়ারোইদবগী খূদোংচাদবা অদু লৈখ্রবসু এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কজাখষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স কন্টিনেন্টেল টুর সেরিজ অমা ওইরিবা কোসানোভ মেমোরিয়ল কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী মমাংদা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইহৌদ্রবা অদুগা খূদোংচাবা ফংলবদি তাঞ্জা লৈগদৌরিবা ইভেন্ট খরদা মতম শাংনদগী কম্পিটিসন শরুক য়াবা ফংদনা লাকখিবনি।

নুপীগী মিটর ৪x১০০ অমসুং নুপাগী মিটর ৪x৪০০ রিলে টিমনা থা অসিগী মে ১ অমসুং ২দা পোলেন্দগী সিটি সোর্জোদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড রিলে এথলেটিক্স কম্পিটিসনদা নেদরলেন্দস লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু মখোয়গী লৈবাক অদুদা ফাওদুনা চৎপা য়াবগী অয়াবা পীরক্তবদগী কম্পিটিসন শরুক য়াবা ফংখিদবনি। মরক অসিদা, হৌখিবা থাদা ইন্দিয়াগী জেভলিন থ্রোদা নেসনল রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা নিরজ চোপ্রা য়ুরোপ চৎপগী খূদোংচাবা লৈখিদবা অদু হন্দক্তগা ফ্রান্সতা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসনদা শরুক য়ানবগীদমক্তা ভিজা ফংবা লৈখ্রবনি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এথলিট ৬না শাবা টিম অমা কোসানোভ কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াহনগদৌরি।

বর্সেলোনাগী নুপীগী টিমনা স্পেনিশ কপ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, মে ৩১ (এজেন্সী):

নুপীগী ফুটবোলদা হন্দক্তগা ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট স্পেনিশ কপকী ফাইনেলদা লিভান্টেবু মায়থীবা পীদুনা সিজন অসিদা টাইটল অহুম লৌবা ঙম্বগী মিংথোল অদু ফংখ্রে।

বর্সেলোনাগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব অদুনা স্পেনগী নুপীগী ফুটবোল লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং য়ুরোপকী নুপীগী চেম্পিয়ন্স লীগতসু টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং ঙরাং শান্নখিবা স্পেনিশ কপ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল অদুসু লৌদুনা সিজন অসিদা টুর্নামেন্ট অহুমগী টাইটল লৌবা ঙমদুনা স্পেনগী পুৱারীদা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা নুপা অমসুং নুপীগী মায়কৈদা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙম্বা লৈবাক অমগী অহানবা ফুটবোল ক্লব ওইরিবনি।

ঙরাং স্পেনিশ ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা বর্সেলোনাগী নুপীগী টিম অদুনা লিভান্টেবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা বর্সেলোনানা লিভান্টেবু খূদুম চনবা ঙমখি। বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাট্রি গুইজারোনা অহানবা পাঞ্জল চনবা হৌখি। মদুগী মতুং এরেজিয়া পুটেলাজ অমসুং মার্টা টোরেজোনা মখা তাবা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুবু লিভান্টেগী রেদোন্দো অমসুং বানিনিনা পাঞ্জল ২ চনশিল্লগা ২-৩দা লৈখ্রবা মতুং ফাইনেল মেটচ অদু বর্সেলোনাগী ওইনা য়েৎনবা লৈতনা লোইশিল্লকপদা পুটেলাজনা পাঞ্জল ১ চল্লগা টাইটল ফংখি।

চাইনাদা পাঙথোক্কদবা ফিফা ২০২২ ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রশিং দুবাই সিটিদা ওইনা শান্নরগনি

শাংহাই, মে ৩১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান-তোঙানবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং মালেমদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অথিংবা কয়া লৈরকপদগী পাঙথোকপা য়াদনা লাক্লিবশিংগী মনুংদা চাইনাগী শাংহাইদা পাঙথোক্কদবা গ্রুপ এগী ওইবা কম্পিটিসন অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

গ্রুপ এদা চাইনা, সিরিয়া, মালদিভস, ফিলিপিন্স অমসুং গ্বাম য়াওনা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্কবা হান্নগী মতম লৈরম্বনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক মালেমগী ওইনা থেংনরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা গ্রুপ অসিগী লৈবাকশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলকপা মরম্না মখোয়না অতোপ্পা লৈবাক্তা শান্নবা চৎপা মতমদা অকনবা ক্বারন্টিনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারকপনা চাইনাদা লৈরিবা অকক্লবা ক্বারন্টিনগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ঙাকপদা টিম অয়াম্বগী মায়কৈদগী অপান্বা লৈরক্তবা মরম্না ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু ক্বারন্টিনগী কাঙলোন খরা কোমথোক্লা লৈরিবা দুবাইদা ওইনা শান্ননবা শিল্লকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, চাইনাগী সিটি সুঝৌদা য়াম্না চেকশিনবা মওংদা বাইও ববল শেমদুনা নুমীৎ ১৫নিগী মতুংদা গ্রুপ এগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্লনবা মমাংদা মতম লেপখিবনি। অদুবু এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী সুঝৌ সিটিদগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী ফিকচরশিং অদু লৌথোক্তুনা দুবাইদা ওইনা শান্নরগনি হায়না ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা দুবাইগী ফিকচর অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং অথুবা মতমদা ফোঙদোক্লগনি হায়রি। মালদিভস অমদি সিরিয়াগী টিম মাংজৌননা দুবাইদা থুংখ্রবনি।

'ভাবোকশিং ভেক্সিন কাপথোকপা নৎত্রগা টেষ্ট নেগেটিভ ওইগদবনি

টোকিও, মে ৩১ (এজেন্সী):

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা কন্না শিল্লিবা চহী ১ কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়েথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়েংবা লাকপা ভাবোকশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপা নৎত্রগনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পুরক্কবগী তাঙ্কক অমা য়ৌরে হায়না মফম অদুদা ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

টোকিওদা ফোঙবা 'য়োম্যুরি সিম্বুম' পাউচেনা পীবা রিপোর্ট অমদা মশক মমিং পন্দবা লৈঙাক্কী ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা ওলিম্পিক গেমসকী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং শান্নফমদা লাক্কদৌরিবা জপানগী ভাবোকশিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপা ওইগদবনি নৎত্রগনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইগদবনি হায়বগী ৱারেপ অমা নৌনা লৌরকপগী মমি তারি।

নীংশিংবা য়াবদি, টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপদা মখা তানা জপানগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা অহেনবা চৈথেং পীদনবা মীরমদগী লাকপা ভাবোক অমত্তা মীৎয়েং তাবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংদ্রবনি। মসিগী মনুংদা গেমস অসিগী মপূং ওইবা শান্নফম ষ্টেদিয়মশিং অদুদা জপানগী ভাবোকশিংনা য়েংবা লাকপা মতমদা মখোয়-মখোয়না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখিবগী সর্টিফিকেট পুরকপা নৎত্রগনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট অদু য়াওহল্লকপগী তঙাইফদবা য়ৌরে হায়খি। মরক অসিদা, ভাবোকশিংনা মীৎয়েং তাবা মতমদা পূন্না হরাউবা ফোঙদোকমিন্নবা, চামিন-থকমিন্নবা অমদি য়ু থকপনচিংবা থবক য়ারোই হায়রি।

ইন্দিয়াগী দিয়া সিটলে অমসুং স্বাস্তিকা ঘোশ ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস য়ুথ ষ্টার কন্টেন্দর টুর্নামেন্টকী দবলসকী রন্নর্স অপ তাখ্রে

টুনিশ, মে ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিস য়ুথ টিমগী দবলস শান্নরোয় দিয়া সিটলে অমসুং স্বাস্তিকা ঘোশনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস য়ুথ ষ্টার কন্টেন্দর টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা রসিয়াগী প্যের নাটালিয়া মালিনিনা অমসুং ইলিজাবেথ অব্রামিয়ানগী মখূৎতা মায়থীদুনা চহী ১৯ মখাগী নুপীগী দবলস ফাইনেলদা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

WTT YOUTH STAR CONTENDER TUNIS
26 - 30 May 2021
Salle Omnisport de Radès, Tunisia
2
1

অফ্রিকাগী লৈবাক টুনিসিয়াগী কোনুং টুনিশতা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস য়ুথ ষ্টার কন্টেন্দর টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোয় অনী দিয়া সিটলে অমসুং স্বাস্তিকা ঘোশনা চেক রিপব্লিককী লিন্দা জাদেরোভা অমসুং ক্রোএসিয়াগী হানা অরাপোবিচপু ৮-১১, ১১-৭, ১১-৬, ৬-১১, ১১-৯দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। মদুগী মাংওইননা দিয়া অমদি স্বাস্তিকানা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক টুনিসিয়াগী প্যের ফাদৱা গার্সি অমদি মরাম জোগ্লামিবু ১১-৫, ৬-১১, ১১-৯, ১১-৮দা থোইরমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুগা রসিয়াগী প্যেরগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা রসিয়াগী প্যের অদুনা মেটচ অদুগী হৌরকপদগী ফজবা হেনখি। অহানবা গেম অদু রসিয়াগী প্যের অদুনা ইন্দিয়াগী প্যের অদুগী অশোনবশিং অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা ১১-৩দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ৬ খক লৌরগা রসিয়াগী প্যের অদুনা পোইন্ট ১১ য়ৌবা হানখিবদগী ১১-৬তা থোইখি। গেম অনী থংন-থংননা মায়থীরবা মতুং অহুমশুবা গেম ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা হোৎনরকখিবশিং অদু মখোয়গী মায়কৈদগী পোইন্ট ৭ শুরকপদা রসিয়াগী প্যের অদুনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ষ্ট্রেট গেম ৩দা মায়থীরগা টুর্নামেন্ট অদুগী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা দিয়া অমদি স্বাস্তিকানা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাক্কুনা মখা তানা ফজবা ঙল্লি। দিয়ানা বেলারুসকী ভিরাবু থোইখি। অদুগা স্বাস্তিকানা রসিয়াগী নাটালিয়াবু মায়থীবা পীখি।

অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদবা কোপা অমেরিকা কপ কোভিদ ১৯গী মরমদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে

বুইনোস আইরেস, মে ৩১ (এজেন্সী):

মথং থাগী ১৩দগী জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা অর্জেন্টিনানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা সাউথ অমেরিকাগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা কপ কোভিদ-১৯গী লৈরিবা অনৌবা ৱেভ অসিনা মরম ওইদুনা সাউথ অমেরিকা ফুটবোল ফেদরেসন ওইরিবা কোনমেবোলনা অর্জেন্টিনাদা টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোকপদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

কোনমেবোলগী মায়কৈদগী ঙরাং নুমিদাং ওফিসল ওইবা ৱারোল ফোঙদোক্লিঙৈ মাংওইননা ত্বিতরদা থাদোরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা চয়োল অনীরোমগী মনুংদা অর্জেন্টিনাদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস নুমীৎ ৭নিগী ওইবা এভরেজ লৌবদা অনৌবা কেস লিশিং ৩৫ লাকখিবা অমদি নোংমদা মীওই ৫০০ রোম শিরকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুনা লাইচৎ অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লোকদাউনগী অনৌবা কাঙলোন কয়া থল্লকপদগী অর্জেন্টিনাদা কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা য়াররোই হায়না কোনমেবোলনা ফোঙদোকখিবনি। মমাংদা অর্জেন্টিনা খক্তা নৎতনা কলম্বীয়াসু কো-হোষ্ট ওইবগী খূদোংচাবা লৌথোকখ্রবনি।

[illegible]
EMPLOYMENT NEWS
(Bricks Mistry + Jugali Needed)
☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।
Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934
HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 126

Van Wely,L (2605) - Van der Sterren,P (2555)
Hoogovens Wijk aan Zee NED (5), 1998.01.21

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 d5 4.Nc3 Be7
5.Bf4 O-O 6.e3 c5 7.dxc5 Bxc5 8.a3 Nc6
9.Qc2 Qa5 10.O-O-O Be7 11.Kb1 Rd8 12.Nd2 dxc4
13.Bxc4 Qf5 14.Nde4 Rxd1+ 15.Rxd1 Nxe4 16.Nxe4 e5
17.Bg3 Be6 18.f3 Rc8 19.Qb3 Bxc4 20.Qxc4 h5
21.h3 h4 22.Be1 Qg6 23.Rd2 Rd8 24.Rxd8+ Bxd8
25.Qb3 Qxg2 26.Qxb7 Qg6 27.Qd7 Bb6 28.Bf2 Kh7
29.Kc1 Na5 30.Qe7 Qc6+ 31.Kd1 Qd5+ 32.Ke1 Nc4
33.Qxh4+ Kg8 34.Qg4 Qd3 35.Nf6+ Kf8 36.Qc8+ Ke7
37.Ng8+ Kd6 38.Qf8+ Kc6 39.Ne7+ Kd7 40.Qxf7 Nxb2
41.Nf5+ Kc6 42.Bh4 Qd1+ 43.Kf2...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 125 Ans. :

18. ...Kd6 **19.**Be5+The white bishop decoys Black's king. The white bishop deflects Black's king away from protecting the square e7.Kxe5 **20.** Qe7+ Kf4 **21.**g3+
21. Qh4+ Ke5 **22.**Qe7+ Kf4
21. ...Kf3 **22.** Re1 Qxc2 **23.** Re3+ Kg4 **24.** Qh4#
19. Be5+ Kxe5 **20.** Qe7+ Be6 **21.** Re1+ Kd4 **22.** Qxc7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com